## করুনানিধিনা মহাক্কী মচানুপা পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে



**চেন্নাই, জনুৱারি ২৪ঃ** হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং দ্রাবিদ্রা মুনেত্রা কাজাগম (দি এম কে)গী লুচিংবা এম কে অলাগিরিবু ঙসি ইরাই নুমিৎতা মহাক্কী অপোকপা এম করুনানিধিনা পার্টি অদুগী মায়োক্তা থবক তৌবগীদমক পার্টি অদুদগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

দি এম কেগী প্রাইমারি মেম্বর–শিপ্তগী অলাগিরিবু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌবগা লোয়ননা থবক পায়বসু য়াহনখিদ্রে।

অলাগিরিনা দি এম দি কেগী বিজেকান্তকা চুংশিন্নদুনা থবক পায়খৎলি হায়বগী মরালদা মহাকপু পার্টি অদুনা প্রাইমারি মেম্বরশিপ্তগী সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক, অলাগিরিনা দি এম দি কেগী লুচিংবা বিজয়কান্ত এটেক চথবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অদুগী চপ চাবা প্রমাণ পীরক্কদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্ণরনা ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা করেন্সিশিং ৱিদ্রো তৌবদা মীপাইনিং লৈতে শেংদোরক্লি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৪ ঃ** ইং ২০০৫গী মমাঙদা নমখিবা নোটশিং ৱিদ্রো তৌগদবা অদু মীয়ামগী খুদোংচাননবগীদমক্তনি। মদুদা মীপাইবা পোক্তনবা রিজার্বেশেন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্ণর রঘু রাম রাজননা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা দেদলাইন ওইরিবা মার্চ ৩১ গী মতুংদসু করেন্সি নোটশিং অদু অদুমক লিগেল ওই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।



পায়খৎখিবা থবক অদু মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহন্নবা নত্তে। মদু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মতম কয়াগী মমাঙদগী হায়দুনা লাক্লবা ৱাফমনি। মদু সেক্যুরিটি হন্থবা অরিবা নোটশিং অদু হেন্না ফংবা চেকশিন থৌরাং অমা লৌখৎনবগীদমক অনৌবশিংনা শিন্দোক্কদবনি হায়খি।

প্রজা মীয়াম্না তোঙান তোঙানবা অর্থ কয়া হন্নরক্লিবা অদু লাইবক থীবনি। পায়খৎলিবা থবক অদুদা লান্না লৌনিংঙাই লৈতে। ইং ২০০৫গী মমাংদা নমখিবা নোটশিং অদু ৱিদ্রো তৌবনা লাক্লিবা মীখলদা করিসু অকায়বা থোক্লিংঙাই লৈতে।

দেথলাইনগী মতুংদসু হায়রিবা নোটশিং অদু লিগেল ওইনা অদুমক চৎনগনি হায়না রাজননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। সি বি আইগী দিরেক্টর রঞ্জিৎ সিনহানা ইং ২০০৫গী মমাঙদা নম্বা করেন্সি নোটশিং অদু শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা ৱিদ্রো তৌননবা খঙহল্লকখিবা লৈ। লোয়ননা মদু লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মমাঙদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

কেবিনেট সেক্রেটেরিএটনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৮শুবা মেমোরিএল লেকচর অমদা রঞ্জন্না ৱাফমশিং অদু ফোঙদোকখিবনি। আর বি আইগী গভর্ণরগী মতুং ইন্না নোট অদু শীজিন্নরিবশিংনা নুংঙাইনবা মওংদা খনবদগী লৌথোক্কদবনি। লৌথোক্কদবা প্রোসেস অদু অরাইবা মওংদা চথগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা শেংদোক–খিবদা, ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা মতম কয়াগী মমাংদা ইং ২০০৫গী মমাংদা নমখিবা নোটশিং অদু ৱিদ্রো তৌননবা খঙহল্লকখি। ইং ২০০৫গী মতুংদা নম্বা নোটশিং অদুনা হেন্না সেক্যুর ওই। অদুগা মদুগী মমাংদা নমখিবা শেলশিং অদু অনৌবা ওইনা নমথোক্কদবনি। মদু ফেজ নাইনা চথগদবা থৌওং অমনি হায়রি।

আর বি আইনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখিবদা চহীসিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা হায়রিবা নোটশিং অদু মপূং ফানা লৌথোক্কনি। এপ্রিলগী তাং ১দগী হৌরগা মীয়ামনা অদুগুম্বা নোটশিং অদু বেঙ্ককী খূথাংদা শিন্দোকপা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–৩

*মীওইবা অমদি অতৌ থৱাই পানবশিংগী ময়ূম ওইরিবা মালেম অমদি মসিগী অমত্তা ঙাইরবা থা অসি নত্তবা অতৌ মালংদা লৈরিবা থা অমদি প্লানেটশিংদা মীওইবনা খোঙদাবা ঙমদ্রি। মীওইবনা হায়রিবা থা অমদি প্লানেটশিংদা মীওইবনা খোঙদানবা নৎত্রগা মফমশিং অদুদা থৱাই পানবশিং লৈবা, লৈবা য়াগদ্রা হায়বনচিংবা চহি কয়াগী মমাংদগী থিজিন্দুনা লাক্লি। সোলর সিষ্টেম মনুংসিদা লৈরিবা নুমিৎতগী কিমি ৫,৯১৩,৫২০,০০ লাপ্তুনা খ্বায়দগী লাপ্পা প্লানেট ওইরিবা প্লুটোদা সাইন্টিফিক রিসার্চ চথনবা মফমদুদগী খোমজিল্লগা দাটা অমদি ফোটোগ্রাফনচিংবা থারক্নবা য়ু এস এনা ইং ২০০৬তা মালেমগী লৈমায়দগী নিউ হোরাইজন কৌবা স্পেসক্রাফ্ট অমা থাগৎখি। স্পেসক্রাফ্ট অদু চহি ৯ চুপ্পা পাইরগা প্লুটোগী লৈমায়দা ইং ২০১৫ দা থুংলুগদৌরি। ইং ২০০৬কী জনুৱারি থাদা নাসাগী নিউ হোরাইজন অসি মালেমগী লৈমায়দগী এটলাস ভি রোকেট হায়বা অমনা পুখিবনি। নীংশিংবা য়াবদি, প্লুটোগী দাইমেটর অসি কিমি ২,৩৯০ নি। মসিগী অরূম্বনা টোন ১২৯,০০০,০০০,০০০ নি। নুমিৎতগী লাপ্পনা কিমি ৫,৯১৩,৫২০,০০০নি। প্লানেটসি মশা মতোমতা অমুক্তং উংজবদা নুমিৎ ৬ নিগা পূং ৯ মিনিট ১৮ চংই। নুমিৎকী অকোইবদা অমুক্তং কোইবদা চহি ২৪৭ কা নুমিৎ ২৫৬নি চংই। মসিগী টেম্পরেচর অসি –২১৫.৩৫° C নি প্লানেটসিগী থা (মুন) ৩ লৈ। প্লানেটসি অমেরিকানা পুথোকখিবা ওইরবসু মসিগী মমিং প্লুটো হায়বসিদি স্কুল তম্লিবা বৃটিশ নুপীমচা ভেনিসিয়া বর্নি কৌবী অমনা সজেষ্ট তৌরকপদগী থোনখিবনি। মথং চহি ২০১৫ দদি প্লুটোগী মরমদা অনৌবা ফাইন্দিংস খরা খঙবা ঙম্লগনি।*

## অহল ওইরবা ভিলেজ লীদর অমনা অতোপ্পা কম্যুনিটিগী নুপা অমগা নুংশিনবা নুপী অমা গেং রেপ চথনবা য়াথং পীখি



**কোলকটা, জনুৱারি ২৪ ঃ** অতোপ্পা কাঙলুপকী মীওই অমগা নুংশিনবগীদমক চহি ২০ শুরবী নুপীমচা অমা গেং রেপ চথনবা ভিলেজ কাওন্সিলনা য়াথং পীখি হায়না পুলিসনা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ভিলেজ কাওন্সিলগী লুচিংবা অমসুং অতোপ্পা মীওই ১২ নিংথৌকাবা নুমিদাংদা চথখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারে।

নুপী অদুনা পুলিসতা ফোঙ–দোকখিবদা, মঙোন্দা ইজ্জৎ মাঙহনবা মীওইশিং অদু মশীং কয়ানো হায়বা খঙবা ঙমদ্রে হায়খি। মহাক শগোলশেন নুমিৎতগী ঙসি ফাওবদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি।

টি ভি চেন্নেল অমনা পীরকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না হায়রিবা নুপী অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ত্রাইভেল ইমুং অমদা পোকপনি। অদুগা খুঙ্গং অদুগা থংননা লৈবা মুসলিম নুপা অমগা নুংশিনবনি।

মীওই অদুনা নুপী অদুগী সবলপুরদা লৈবা খুঙ্গং অদুদা লুহোংনবগী ৱাফম ফোঙদোক্লবগী–দমক লাকখি। মদুদা খুঙ্গং অদুগী মীওইশিংনা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্ ফাদুনা উ অমদা পূনশিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা মখোয়গী মরাইবক ভিলেজ কাওন্সিলনা লেপখিবনি হায়রি।

পুলিস ওফিসিয়েল সি সুদাকরনা ফোঙদোকখিবদা, ভিলেজ কাওন্সিলনা নুপা অমসুং নুপী অদুদা ফাইন ওইনা লুপা ২৫,০০০ পীননবা খঙহনখি। নুপা অদুনা শেনফম অদু পীবা ঙম্লোই হায়না য়াখিদে। লোয়ননা নুপীগী ইমুং মনুংনসু মখোয় লায়রবা ইমুংনি। হায়রিবা শেনফম অদু পীবা ঙম্লোই হায়বদগী কাওন্সিল অদুনা গেং রেপ চথনবা য়াথং পীখিবনি হায়রি।

হৌখিবা চহীশিংদগী তোঙানবা খ্বাইদগী শাথীবা মওংগী ইজ্জৎ মাঙহনবগী থৌদোক অদু লৈবাক শীন–থুংনা খঙনরকপগা লোয়ননা সরকার অদুনা নুপীশিংবু ঙাক–শেনবগী থবক ফেল ওইরে হায়বদু তাক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ভিলেজ কাওন্সিলগী লুচিংবশিংনা পীবা য়াথংগী মতুং ইন্না খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরি। হায়রিবা কাওন্সিল অদু ইন্দিয়াগী আইননা য়াবা অমা নত্তে।

অদুম ওইনমক, কাঙলুপ অদুগীদমক্তদি নিয়ম্না য়ারবা অমগুম থবক পায়খৎত্রি। খুঙ্গং অদুদা ভিলেজ কাওন্সিলগী ৱারেপকী মতুং ইন্না থবক কয়া চথরি।

মমাঙদা নুপী অমা ভিলেজ কাওন্সিলগী য়াথং মতুং ইন্না মফি লৌথোক্তুনা খুঙ্গং শীন–থুংনা চৎহনখিবা ৱাথোকসু লৈখ্রবনি হায়রি।

সাবল পুরি হায়রিবা খুঙ্গং অদু কোলকটা সহরগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ১৮০ রোম চৎলগা লৈবা মফম্নি। চহি ৪গী মমাঙদা ভিরভুম দিষ্ট্রিক্টকী ভিলেজ কাওন্সিলনা নুপী অমা মফি লৌথোক্তুনা থুংনা চৎলহনখি। মদু নুপী অদুনা অতোপ্পা কাঙলুপ্তা লৈবা নুপা অমগা নুংশিনবগী দন্দি ওইনা পীখিবনি হায়রি।

নেশনেল ফেদরেশন ওফ ৱুমেনগী জেনরেল সেক্রেটরি এনি রাজানা ফোঙদোকখিবদা, লোকেল কাওন্সিলশিংনা নুপীশিংগী হক মাঙহল্লে। মদুনা মরম ওইরগা নুপীশিং অদু সমাজ অদুদা অশিবা অমা ওইনা হিংলি।

থৌওং অদু আইন লৈতবগী মওংনি। অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা ৱেষ্ট বেঙ্গল সরকারনী লৌথুপ লৌকোই লৈতনা পূকচেল শেংনা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা কোলকটাগী মতাই খুঙ্গং অমদা চহি নৌরিবা নুপী মচা অমা নুমিৎ নীনি ইজ্জৎ মাঙহনবগা লোয়ননা পুলিসতা তৌখিবা কমপ্লেন্ট হন্দোকউ হায়বা য়াদবগীদমক মৈ থাদুনা হাৎখি। মৈনা চাকপনা অদুনা মরম ওইরগা নুপীমচা অদু মমাঙ থাদা হোস্পিটাল অমদা লৈখিদবনি।

## কংগ্রেসনা অমুক হন্না শক্তি পায়গনিঃ মনিশ তিৱারি

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৪ ঃ** টি ভি চেন্নেল অমনা পাঙথোকখিবা ওপিনিয়ন পোল অমদা লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীং হেন্না ফংগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

ৱাফম অদু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনিশ তিৱারিনা ইরাই নুমিৎতা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙ–দোকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট অদু ওপোজিশন ওইনা ফমগনি হায়খি।

চথখিবা সর্ভে অদুদা ইং ২০১৪গী লোক সভাগী মীখলদা ঈশ্বরগী থৌজাল অমসুং মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টিনা লৈবাক অসিদা শক্তি পায়গনি। অদুগা প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেটনি হায়না লাউথোকচরিবা মীওই অদুনা মহাক্কী হান্নগী ফম্ফম ওপোজিশন্দা অদুমক লৈগনি হায়না মনিশ তিৱারিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীওই খরদি কংগ্রেসকী মায়োক্তা ঙাংবগী থবক চথরি, মদু মখোয়গী হৈনবীনি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটতা চিফ মিনিষ্টর অমা ওইনা শেঞ্জাও পায়ব–শিংগীদমক থবক তৌদুনা লৈরে হায়না মরাল শীখি।

## বি জে পিনা য়ু পি অমসুং রাজস্থানদা অঙকপা ফংনা মায় পাক্কনিঃ মোদি



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৪ ঃ** টি ভি চেন্নেল অমনা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমগী মতুং ইন্না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা চাউনা মায় পাক্কনি হায়না ফোঙদোরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা পার্টি অদুনা মোমোন নোকপগী তাঞ্জা অমা ফংলি।

হান্নগা ওপোজিশন ওইনা লৈরম্বা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা পার্টি অদুনা উত্তর প্রদেশকী সিট ৪৯গী মনুংদা সিট ৪১ ফংগনি হায়রি।

ইং ২০০৯ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা য়ু পি ষ্টেটতা বি জে পিনা সিট ১০খক্তমক ফংবা ঙমখিবনি। ষ্টেট অদুদা রাহুল গান্ধিগী লিচিং মখাদা সিট ৪দগী ১০ ফাওবা ফংবা য়াই। বহুজন সমাজৱাদি পার্টিনা ১০দগী ১৬ ফাওবা, অদুগা অতোপ্পা চুংশিন্নবা কাঙবুশিংনা ২দগী ৬ ফাওবা ফংবা য়াই হায়রি।

ইং ২০১৩দা পাঙথোকখিবা দিল্লি এসেমব্লি মীখলদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা আম আদমি পার্টিনা মঙগুম্না লৈবাক্কী কোনুং অদুদা মায় পাকখি।

থীগৎখিবা রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না দিল্লিগী লোক সভা সীট ৭কী মনুংদা ৪দগী ৬ ফাওবা ফংবা য়াই হায়রি।

## দিল্লি পুলিসকী কমিস্নর সুপ্রিম কোর্টতা কৌখৎতুনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৪ ঃ** দিল্লিদা মী পুনবা য়াদবগী ওর্দর লৈনা–লৈনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, কেবিনেট মিনিষ্টর অমসুং আম আদমি পার্টিগী সপোর্টরশিংনা দিল্লিদা ধরনা চথবা য়াহনখিবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা দিল্লি পুলিসকী কমিশ্নর কৌখত্তুনা ৱাহং পাউহং চথখ্রে।

এদভোকেট রাজা রামননা থারকখিবা রিট পিটিশন অমগী মতুং ইন্না জষ্টিস আর এম লোধা অমসুং সিভাকৃতিকী বেঞ্চ অমনা দিল্লি পুলিসকী এদিশনেল সোলিসিটর জেনরেল সিধারথ লুথার কৌখৎতুনা সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা লৈরিবা দিল্লিগী মফম অমদা চৎলিবা থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা মীয়াম পূন্দুনা ধরনা চথহনখিবগী মতাংদা ৱাহং চথখ্রে।

রাজা রামনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিশন অদুদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অদুনা কন্সটিট্যুশনগী অয়াবগী ৱাংমদা রিপব্লিক ডেগী মাঙওইননা ধারনা চথখি।

রিপব্লিক ডে সেলেব্রেশন অদুদা মহাক্না লৌগদবা থৌদাংশিং অদু ইন্থোকপগা লোয়ননা অথিংবা লৈবা মফম অদুদা কন্সটিট্যুশনগী ৱাংমদা ধারনা চথখি হায়না মরাল শীরি।

জষ্টিস লোধানা দিল্লিগী এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেলদা হংখিবদা, করম্না দিল্লি পুলিসনা মী ৫দগী হেন্না পুনবা য়াদবা মফম অদুদা মীয়াম পুনবা য়াহল্লিবনো। থৌওং অদুদা পুলিসনা মীৎ উইশিন্দুনা লৈরিবা করিগীনো ? অদুগা করম তৌনা মীয়াম অদু পুনবদা য়ারিবনো ? অহানবা ওইনা মীয়াম পুনবা হৌরকপদা করম্না পার্মিট পীরিবনো? লো ইনফোর্সিং এজেন্সিশিংনা অথিংবা অদু কদায় ফাওবা ঙাক্লিবগে? আইন থুগায়রকপশিংবু করিগীদমক য়েংদুনা লৈরিবনো ? থৌওং অদুদা খূৎ থিংজিন্নীংদে। অদুম ওইনমক আইন থুগায়রক্লবদি সুপ্রিম কোর্টনা খূৎ থিংজিল্লক্কনি হায়খি।

জষ্টিস লোধানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা লৈরিবা মফমশিং অদুদা মীয়াম তিনবা হায়বসি লো এন্দ ওর্দর থুগায়বগী শরুক অমনি। অদুগুম্বা থবকশিং অদু থিংননবা চাউরবা শেনফম কয়া কায়থোক্লি।

দিল্লি পুলিসনা চেকশিন্না ঙাক–শেল্লিবা মফম অদুদা অদুগুম্বা থবক অদু করম্না চথরক্লিবনো হায়বদু খংবা ঙমদে। পুলিসনা মাঙজৌননা অদুগুম্বা থবক অদু থিংননবা থৌরাং পায়খৎখিদে। মদু মরম খরা লৈরম্বা য়াই। পূং ২৪ নৎত্রগা ৩৬ চুপ্পা চথখিবদা করিগী য়েংদুনা লৈরিবনো। লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশন্না পীরিবা আইন অদু ঙাকপা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌনি।

এদিশনেল সোলিসিটর জেনরেলনা ফোঙদোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী অশম্বা ৱারোল পীখৎলক্নবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অদুনা পুলিসতা খঙহনখ্রে। সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা মীয়াম তিনবা য়াদবা হায়বদু ঙাক্লনবা আইনগী থোঙদা থবক কয়া পায়খৎপা য়াই।

মখোয়গী মথক্তা সি আর পি সিগী সেক্সন ১২৯ (২) গী মখাদা থবক লৌখৎপসু য়াই হায়রি। কেস অদু মখা তানা চৎলিবা থা অসিগী ৩১ দা হিয়ারিং চথনবা য়ৈথোকখ্রে হায়রি।

### PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension Book bearing PPO No. SM/16015, on my way from Imphal Treasury Office to Keirao Bitra, Imphal East, on 17th January, 2014 after taking photograph at Imphal Treasury Office.

If anybody found it, kindly handover the same to the undersigned.

**Taorem Ibohal Singh**
Keirao, Bitra, Imphal East
Contact 0385-2571318,
9862032041

SL/1151/24,25

## চহি ৩০গী মতুংদা নুপী অমা মিল্লোনিয়র অমা ওইনা কোলকতাদা হল্লকখ্রে

**কোলকটা, জনুৱারি ২৪ ঃ** নুপী অমনা মহাকপু লুহোংনবা শীনখিবা অদু য়ানীংদবগা লোয়ননা সহর অদু থাদোক্তুনা মশা মথন্তা লেপচনব–গীদমক অমেরিকাদা চেনখি।

চহি ৩০গী মতুংদা চান্দা জেভেরি ভুৱালকা (৪৭) না কোলকটাদা করিগুম্বা খরা খূদোল তৌননবগীদমক সহর অদুদা হল্লকখ্রে।

লোস এঞ্জেলিসতা নুপী অদুনা স্কিন ক্যের অমসুং মদুগা মরী লৈনবা দ্রগশিংগী কম্পনি লিংখৎলকখি। মহাক ঈ ৱাৎপগী অনাবনা মরম ওইরগা থা অমরোম ফমুংদা লায়কন্নদুনা লৈরুরবা মতুংদা মহাক্কী শীংথানিংঙাই ওইরবা থবকশিং অদু পায়খৎলকখিবনি।

এক্টিওজেন্ট কোর্পোরেশন্না পুথোকপা দাইবেটিসনা নারবশিংদা লায়েংনবা হীদাক অদু য়ু এস অমসুং এসিয়াগী লমদমশিংদা পাক–শন্না য়োল্লি। হায়রিবা কম্পনি অদুনা পার্টনরশিপ ওইনা কোলকটাগী ফার্ম অমগা খূৎশম্নদুনা কোলকটাদা লিংখৎনবা হোৎনরক্লি। মদু মহাক্না মহাক্কী লল্লোন–ইতিক্কী থবক অমা ওইনা সহর অদুদা পায়খৎলকখিবনি।



চান্দাগী শীংথানিংঙাই ওইরবা অমদি থৌনা ফবগী ৱারী কয়া লৈবগা লোয়ননা মহাক্না মঙখিবা মঙলানশিং অদু মঙফাওনরক্লি।

ধর্ম্মগী অখুবা মীৎয়েং লৈবা মারুৱারি ফেমিলি অমদা পোকখিবা চান্দানা মহাক্কী পোক্লফম লমদম কানকুরগাজি লমদম ইং ১৯৮৪ দা থাদোক্লমদুনা বোষ্টোনদা চেনখি। মদু মহাক্কী লুহোংনবগীদমক মমা–মপানা লেপ্পখিবা অদুবু য়ানীংদবগা লোয়ননা ময়ূম থাদোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি।

মহাক্না য়ু এসকী কালটেকতগী মোলিকুল্যর বাইওলোজিদা গ্রেজুএট লোইশিনখি অদুগা পেপটাইদকী লম্দা হেন্না থিজিনখিবগা লোয়ননা ইন্ট্রপ্রেন্যুর অমা ওইনা ফাওরকখি।

অমেরিকাদা চান্দা হায়রিবা নুপী অদু মিল্লিনিয়র অমা ওইনা শকখঙনরি। অদুবু মহাক্কী থম্মোয়দি কোলকটাদা লৈরি হায়রি।

মহাক্না কোলকটাবু ইরাই লাইনা থাদোক্তুনা চৎখি। অদুবু মহাক্কী ৱাখলনদি কোলকটাদগী লাপ–থোকপা লৈখিদে। মহাক্না হায়খিবদা মহাক্না কোলকটাদা লৈরিঙৈদা মঙলান অদু মঙখিবনি। মহাক্কী নুংশিরবা করবার শরুক অদু কোলকটাদসু য়ৌহনগনি হায়না খনখিবনি হায়রি।

সিটি অদুদা মহাক্কী মরুপ অমা লুহোংবগী থৌরম য়াওবগা লোয়ননা ইন্ট্রপ্রেন্যুরশিপকী মতাংদা লেকচর অমসু পীখি। মদুদা চান্দানা হায়, সহর অদুদা মহাকী কম্পনিগী প্রদক্টশিং য়োন্নবা শেম–শারে। মদু থবক ওইনা পায়খৎপদা চহি অমরোম চঙবা য়াই। অদুম ওইনমক, হায়রিবা থবক অদু শোয়দনা ওন্থোক্লগনি।

করিগুম্বা থবক অদু মহাক্না মায় পাক্না সহর অদুদা পাঙথোকপা ঙম্লবদি থা অহুমগী মনুংদা নোংমদি শোয়দনা কোলকটাদা লাকপা ঙমগনি। মদু মহাক্না মঙজখিবা মঙলান অমনি হায়খি।

